## যু এন এনভোইনা কন্দেম তৌখ্রে

ট্রিপোলি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
যু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্ট অমসুং নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা আর্মিগী মরক্তা অকনবা লান অমা শোক্লরিবা লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিদা লৈবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং অমসুং ৱর্করশিংদা চথুখিবা এটেকশিং লৈবাক অদুদা লৈরিবা যু এনগী স্পেসল এনভোই ঘসন সলামেনা শগোলশেল নুমিত্তা কন্দেম তৌখ্রে।

## ওষ্ট্রেলিয়ন টুরিষ্ট ১ হাৎখ্রে

ৱেল্লিংটন, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) : ন্যু জিলেন্দগী নোর্থ আইলেন্দগী সমুদ্র মপানগী টাউন অমদা থোকখিবা কেম্পর ভান অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টুরিষ্ট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক অমগী মতুং ইরাই নুমিত্তা ন্যু জিলেন্দ পুলিসনা খুৎলায় পায়বা চিংনবা মীওই অমা থিবগী অচৌবা ওপরেসন অমা হৌখ্রে। চহী ৩৩গী লেংগা ওইবা ভিক্তিম অদুগা চৎমিন্নখিবা কনাদিয়ন নুপী অমদি এটেক্কর অদুনা ভান অদু থৌদুনা চৎখিবদগী মথায় হিংহৌরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহীদসু ন্যু জিলেন্দদা বৃটিশ লমকোইবী নুপী ১ হাৎখ্রবনি।

# গিব্রাল্টরনা ইরানগী ওইল টেঙ্কর থাদোকখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
ঈ যুগী অথিংবশিং থুগায়দুনা সিরিয়াদা শুংদ্রোক্ত্রিবা থাউ বেরেল মিলিয়ন ২.১ পুরন্বগী চিংনবদা যুম্ফম ওইরগা থা অমা হেনবগী মমাংদা ইন্দিয়ন ২৪ গা লোয়ননা গিব্রাল্টরনা বৃটিশ মরন্সিকী মতেংগা লোয়ননা ফাজিনখিবা ইরানগী সুপরটেঙ্কর গ্রেস ৱান শগোলশেল নুমিত্তা গিব্রাল্টর গভর্নমেন্টনা থাদোকখ্রে।

করিগুম্বা যুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানিয়ন টেঙ্কর অদুবু মখা তানা ফাজিন্দুনা থম্নবা কোর্টকী খুৎথাংদা হোৎনরকপগী থৌওং লৈতবা তারবদি ভেসেল অদু ইরাই নুমিত্তা বৃটিশ টেরিটরি গিব্রাল্টর থাদোকপা য়ারগনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা ফোঙদোক্লখি।

জহাজ অদুনা সিরিয়াদা থাউ পুবগী থবক অমত্তা তৌরোই হায়না টেহরান্না থাজবা পীখিবা মতুংদা গিব্রাল্টরনা ভেসেল অদুবু থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। চাওরবা ভেসেল অদু তঙাইফদবা লোজিষ্টিক্স শীন-লাংজদুনা য়াম্না থুনা চৎখিবা য়ারগনি হায়না গিব্রাল্টরগী ফার্ষ্ট মিনিষ্টর ফাবিয়ন পিকার্দোনা শগোলশেল নুমিত্তা বি বি সী রেদিওদা ফোঙদোকখি।

গিব্রাল্টরগী ওথোরিটিশিংনা গ্রেস ৱানগী কেপ্টেন ওইরিবা ইন্দিয়ন অমগা লোয়ননা ওফিসর অহুমসু থাদোকখ্রে হায়না গিব্রাল্টর ক্রোনিকলনা ফোঙদোকখি। শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা গিব্রাল্টরগী সুপ্রিম কোর্টতা ষ্টেট অসিগী গভর্নমেন্টনা যু এস দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসতগী জহাজ অদুবু মখা তানা ফাজিন্দুনা থম্নবগী অনৌবা প্রোসিদিংস হৌনবা অমগা অমগা লিগেল এসিষ্টেন্স পীননবা হায়জরকপা লৈরে হায়না খঙহনখিবনি।

অমরোমদা, কোর্ট অদুগী চীফ জষ্টিস এন্থোনি দুদলেনা গিব্রাল্টরদা লৈরিবা ভেসেল অদুবু মখা তানা ফাজিন্দুনা থম্বগী ৱাফমগা মরী লৈননা যু এসকী মায়কৈদগী হৌনবী মতুং ইন্না এপ্লিকেসন থারকপা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টগী ৱাফম অদু তারবা মতুংদা গিব্রাল্টর গভর্নমেন্টনা সেঙ্কসন্স লেজিসলেসনগী মখাদা টেঙ্কর অদুবু মখা তানা ফাজিন্দুনা থমদনবা ৱারেপ লৌখি। চীফ মিনিষ্টর পিকার্দোনা হায়খি মদুদি, গিব্রাল্টরগী মুচ্যুএল লিগেল এসিষ্টেন্স ওথোরিটিজনা যু এসনা হায়জরক্লিবা লিগেল প্রোসিদিংসকী ৱাফম অদুগী মতাংদা ৱারেপ অমা লিগেল এক্সপার্টশিংগা তান্নরগা লৌরগনি।

তৌইগুম্বসুং শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা অনৌবা এপ্লিকেসন অমত্তা লাকখিদবগা লোয়ননা ইরানিয়ন সুপর টেঙ্কর গ্রেস ৱান্না গিব্রাল্টর থাদোকপা হায়বসি শোইররোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# রসিয়া অমসুং ভেনিজ্যুএলাগী লানগী জহাজশিং ভিজিট তৌনগদৌরি



মোস্কো, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
রসসিয়া অমসুং ভেনিজ্যুএলাগী লানগী জহাজশিংনা লৈবাক অনীগী হিথাংফমশিংদা চৎনবগী ৱাফম অমা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখ্রে হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়, লৈবাক অনীগী লানগী জহাজশিংনা অমনা অমগী হিথাংফমশিংদা ভিজিট তৌনবগী অকুপ্পা ৱারোলশিং য়াওব্রা এগ্রীমেন্ট অমা শগোলশেল নুমিত্তা মোস্কোদা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগু অমসুং ভেনিজ্যুএলাগী মহাক্কী লেংমান্নবা ভ্লাদিমির পাদ্রিনো লোপেজগী মরক্তা সাইন তৌনরে হায়না সীনহুৱানা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মোস্কোদা নাকল অনীগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈবাক অনীগী দিফেন্স চীফশিংনা ভেন্যিএলাগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি লৈবাক অনীগী মরক্তা মিলিটরি অমসুং মিলিটরি-টেক্নিকেল কোওর্পরেসন পীনবগী মতাংদসু খন্নখি।

রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা পাদ্রিনোনা সোইগুদা যুনাইটেদ ষ্টেটসনা ভেনিজ্যুএলাগী লোনা য়াবা ওথোরিটি চিংথুনবা হোৎনরকপদা ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চথরে হায়বা ৱাফম থমখি। মহাক্না মখা তারদুনা ভেনিজ্যুএলানা যু এসকী ইলিগেল ওইবা থৌওংশিংবু অকনবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা থেংনখিগনি হায়খি।

# ইজরেলনা যু এসকী মুস্লিম রিপ্রজেন্টেটিভ নুপী অমা ৱেষ্ট বেঙ্কতা চৎপগী অয়াবা পীখ্রে



জেরুসলেম, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
পলিষ্টিয়িনশিংগা মরী লৈনবা ইজরেলগী পোলিসিগী ক্রিটিক অমা ওইরিবা যু এসকী দেম্মক্রেট কোংগ্রেসৱুমেন অমা হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রাওন্দদা ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি মরী-মতাশিংগী মনাক্তা চৎপা য়াহন্নবা ইজরেলনা ইরাই নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

যু এস কোংগ্রেসগী মেম্বর অসিনা ইজরেলদা ওফিসল খোঙচৎ অমা চৎপগী থৌরাংদা ইজরেলি গভর্নমেন্টনা অথিংবা পীখিবা মতুংদা মহাকপু ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা ইমুং-মনুংগী যুমদা চৎনবগী অয়াবা অসি পীখিবনি।

যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কন্না প্রেসর পীবদগী ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা রসিদা তলাইব হায়রিবা কোংগ্রেসৱুমেন অসিগা লোয়ননা ফেলো দেম্মক্রেট কোংগ্রেসৱুমেন ইলহান ওমারবু ইজরেলদা ওফিসল খোঙচৎ অমা লাকপা য়াহহল্লোই হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

অদুমওইনমক নেটনয়াহুনা মখা তারদুনা করিগুম্বা তলাইবনা হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রাওন্দদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উননবা চৎপগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না হায়জরকপা তারবদি ইজরেলনা ৱাফম অদুবু খন্নগনি হায়খি।

অমরোমদা, মহাক্না যু এসকী দেমোক্রেট কোংগ্রেসৱুমেন অসিনা ইজরেলগী মায়োক্তা তৌরকপা বোইকোটকী খোঙজং অমত্তা শৌগৎপদি য়ারোই হায়বা ৱাফমসু চেৎনা থমখি।

পনবা য়াবদি, ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলিশিংনা নমফুদা লম পায়শিন্নবা হোৎনবগী থৌরাংশিংবু য়ানিংদবা উৎলিবা প্রো-পলিষ্টিনিয়ন বোইকোট, দাইভেষ্টমেন্ট, সেঙ্কন্স (বি দি এস) মুভমেন্টবু তলাইব অমসুং ওমারনা শৌগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল অনী কাপখ্রে, সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টকী থৌওং চৈ থাংখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
নোর্থ কোরিয়ানা ইরাই নুমিত্তা য়ামদ্রবদা সোর্ট-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অনী কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্যোংয়াংনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টবু মশাগীদা খনবা ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইদবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা কোরিয়া মশেল ৱারী শান্নবগী থবক লোইরে হায়খিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা মিসাইল লোঞ্চশিং অদু পাঙথোকখিবনি।



কম্প্যুটর সিম্যুলেসন্না অয়াম্বা ওইবা মমাংগী চয়োলদগী হৌখিবা যু এস-সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা মিলিটরি ড্রিলশিংদু নোর্থ কোরিয়ানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

প্যোংয়াংনা জোইন্ট মিলিটরি এক্সসাইজশিং অদুবু লানগী রিহার্সল অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌখিবা মতম খরা অসিদা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইল কয়ামরুম কাপ্পুনা তৌখি। নোর্থ কোরিয়ানা ইরাই নুমিৎকী অযুক্তা লৈবাক অসিগী নোংপোকথংবা সমুদ্র খোংবানগী মনাক নকপা ঈশিংগী শরুক্তা অহেনবা সোর্ট-রেঞ্জ প্রোজেক্টাইল অনী কাপশিনখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী জোইন্টস চীফ ওফ ষ্টাফ (জে সী এস)কী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

খ্বাইদগী নৌবা নোর্থ কোরিয়াগী প্রোজেক্টাইল লোঞ্চ অদুনা খুদক্কী ওইনা সিক্যুরিটি থ্রেট পীবগী থৌওং অমত্তা লৈবা উদে হায়না জপানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা যু এসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা মমাংগী চহীশিংদা কাপখিবা সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইলশিং অদুগা মান্নবা মানবা প্রোজেক্টাইল অমা কাপখিবগী পাউ ফংলে। অতোপ্পা যু এসকী ওফিসল অমনা নোর্থ কোরিয়াগী থৌওংশিং অসিগী মতাংদা যু এসনা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান ৱা তান্নরগনি হায়খি।

# জিম্বাবৱেদা পুলিসনা ওপোজিসন প্রোটেষ্টরশিং তানখায়খ্রে



হরারে, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবদা অথিংবা থল্লিবা কোর্টনসু শৌগৎপা ওর্দর অমা জিম্বাবৱেগী ওথোরিটিশিংনা নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা সেন্ট্রেল হরারেদা পুনখিবা ওপোজিসন শৌগৎপা মীওই কয়া পুলিসনা ট্যর গ্যাস কাপশিন্দুনা অমদি ফু-চৈবনচিংবা তৌদুনা তানখায়খ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

মুভমেন্ট ফোর দেমোক্রেটিক্স চেঞ্জ (এম দি সী) গী সপোর্টর ১০০ হেনবনা গভর্নমেন্টকী অথিংবা অদুবু থুগায়খি হায়না উহৌবা কয়ানা ফোঙদোক্লখি।

সপোর্টরশিং অদুনা গভর্নমেন্টকী অথিংবা অদুবু নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগা কন্না মুক্লখি। মখোয়বু তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা ট্যর গ্যাস অমদি ৱাটর কেনন কাপখি। মখোয়বু সিটি অদুগী মরু ওইবা স্কৱারশিংগী মনুংদা অমদগী বেটনশিং শীজিন্নদুনা তানখায়খি অমদি ওপোজিসন সপোর্টরশিং মখা তানা পুনবা থিংনবগীদমক্তা অহেনবা ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌখি।

ইরাই নুমিৎকী ষ্ট্রিট দেমোন্সট্রেসন অদু লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ইমর্সন মনাঙগৱাংগী গভর্নমেন্টনা ষ্টেট ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা কা হেনবা থৌওং চথুবা, লৈবাক অদুদা পাক শন্না অরান-অহুই অমদি শেঞ্জা-থুমজা তৌবা লোয়ননা লৈবাক্কী ফন্দশিং চুম্না শীন-লাংদবগী মরাল কয়া শিরিবা এম দি সীনা পরিং নাইনা শীন্দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চথগদৌরিবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা অহানবা ওইগদৌরিবনি হায়না পান্নখিবনি।

তৌইগুম্বসুং খুৎলায় পায়বা পুলিস কাঙবুশিংনা হরারেদা লৈবা পার্টিগী ওফিসশিংদা পার্টিগী মীওইশিং অমদি সপোর্টরশিংবু চঙবা য়াহন্দবদগী অমসুং অথিংবা অদুগী মায়োক্তা কোর্টতা ৱাকৎপদা মায় পাকখিদবদগী পার্টি অসিনা জিম্বাবৱেগী গভর্নমেন্টপু ফেসিষ্টকী থৌওং কয়া চথৈ হায়না মরাল শীবগা লোয়নন প্রোটেষ্ট অদু য়ৈথোকখি।

শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা অথিংবা অদুবু লাউথোকখিবা পুলিসনা দেমোনষ্ট্রেটর খুদিংমক ক্রাইম তৌবগী মরাল শীগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# ম্যান্মারনা রোহিঙ্গা ৩,৬০০ হেন্না লৌশিন্নবা শেম শারি

য়াঙ্গোন, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
মুস্লিম মাইনোরিটিগী মায়োক্তা মিলিটরিনা লুচিংদুনা ফাবা পুনবগী অকনবা কেম্প্যেন অমা চথুবা হৌখিবা মতুং চহী অনীগী মমাংদা রখাইন ষ্টেটতগী চেন্দুনা বাংলাদেশদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি ময়ামগী মরক্তগী মীওই ৩,৬০০ হেন্না লৌশিন্নবা ওথোরিটিশিংনা শেম শারে হায়না ম্যান্মারনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা লৈবা ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসন এন্দ ইকনমিক দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর-জেনরেল উ চীন য়েনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী লৈবাক্না প্রোসেস অদু ওগষ্ট ২২ দগী হৌনবা শেম শারে। তৌইগুম্বসুং মতমগী মতাংদা বাংলাদেশকী মায়কৈদগী কনফার্ম তৌরকপা ঙাইরি। করিগুম্বা প্রোসেস অদু কায়দনা চথবা তারবদি মীওই ৩,৬০০ হেনবগা লোয়ননা রেফ্যুজিশিং লৌশিনবা হৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রেফ্যুজিশিংনা মখা তানা ওৎপা-নৈবা অমদি মীশি-মীনা কয়া মায়োক্লরকপা য়াই হায়বগী অকিবদা যুম্ফম ওইরগা ম্যান্মারদা অমুক হল্লকপগী ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা বাংলাদেশতগী রেফ্যুজিশিং থারক্লবগী অচৌবা থৌরাং অমা মায় পাকখিদবা মতুং চহী অমামখায় খন্নরগা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি। রোহিঙ্গা লালহৌবশিং নমথনবগী পান্দমদা ম্যান্মার আর্মিনা বাংলাদেশকা তাইননা লৈবা রখাইন ষ্টেটতা কুমজা ২০১৭ গী ওগষ্ট ২৫ দা অচৌবা ওফেন্সিভ অমা হৌখিবগা লোয়ননা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংনা পাক্তক্লা ষ্টেট অদুদগী চেনবা হৌখিবনি।

মাইনোরিটি গ্রুপ অসিবু নে পি টোদা লৈরিবা ওথোরিটিশিংনা বাংলাদেশকী ইমিগ্রেন্টশিংনি হায়রদুনা হৌজিক ফাওবা শকখঙদবগা লোয়ননা চহী চা কয়া লৈবাক অদুদা লৈরল্লবা ফাওবদা মখোয় ম্যান্মারগী সিটিজনশিং ওইবা ঙমদ্রিবনি। কুমজা ২০১৭ গী মিলিটরি কেম্প্যেন অদুদগী অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইদুনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি মিলিয়ন অমরোম বাংলাদেশকী কোক্টেল সিটি কোক্স বাজারদা শেল্লিবা রেফ্যুজি কেম্পশিংদা ফিভম চাদনা লৈরকখিবনি।



# হোং কোংদা টিয়ানানমেন ২ গী থৌদোক থোক্লোই : চাইনিজ মিদিয়া



বৈজিং, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
চাইনাগী সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হৌজিক ফাওবা হোং কোংগী দেমোনষ্ট্রেসনশিংদা খুৎ থিংজিনবা লৈত্রি, তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা তঙাইফদনা ইরাং অসিদা খুৎ থিংজিনবা তারবসু চহী ৩০ গী মমাংদা টিয়ানানমেনদা থোকখিবা থৌদোক্তুগা মান্নহনবদি তৌরোই হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা পাউচে গ্লোবেল টাইমসকী ইরাই নুমিত্তা ফোঙবা এদিটোরিএল অমনা হায়খ্রে।

ইফে ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পাউচে অদুনা হৌজিক্তি চাইনাবু লৈবাক ওইনা হান্নদগী য়াম্না হেন্না মপাঙ্গল লৈরে অমদি মপুং মরৈ ফাবসু হান্নদগী য়াম্না হেল্লে হায়রদুনা লৈবাক অসিনা অরুবা ৱাথোক লাম্থোক্কী ফিভমশিং মেনেজ তৌবা ঙম্বগী কেপাসিটিসু অদুক্কী মতিক শিংথাংনিঙাই ওইনা হেনগৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনিজ দেলি অদুনা মখা তাদা ফোঙদোকখিবদা, বৈজিংনা হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিং অদুদা ফোর্স শীজিন্নদুনা ফাবা পুনবনচিংবা থৌওংশিং চথদুনা খুৎ থিংজিনবগী ৱারেপ হৌজিক ফাওবা লৌদ্রি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা ওপসন অসি বৈজিংগী অনিংবা অপাম্বগী মখা পোল্লি হায়নসু পনখি।

সেঞ্জেন্দা লৈবা পিপলস আমর্দ পুলিসনা হোং কোংগী ইরাং হৌরিবা কাঙবুশিংদা ময়েক শেংলবা ৱার্নিং অমা থাখ্রে। করিগুম্বা হোং কোংনা সিটি অসিদা রুল ওফ লো হঞ্জিনহনবা ঙমজদবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংগী ইরাং কনশিল্লকপা তারবদি তঙাই ফদনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা বেসিক লোদা যুম্ফম ওইরগা হকথেংননা এক্সন কয়া লৌখৎলকপা য়াই হায়না এদিটরিএল অদুনা ফোঙদোকখি।

বেসিক লোগী মখাদা হোং কোং গভর্নমেন্টনা পব্লিক ওর্দর কায়হন্দনবগীদমক্তা সিটি অদুগী বরেক কয়াদা থল্লিবা চাইনিজ ট্রুপশিংগী মতেং লৌবা য়াই হায়রি।

## জেল মৈ চাকপদা মীওই অহুম শিরে

মেক্সিকো সিটি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) :
মেক্সিকো সিটিগী নুপা ঙাক্তগী জেল অমা মৈ চাক্লকখিবদা য়ামদ্রবা মীওই অহুম শিরে অমসুং অতৈ তরেৎনা অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মেক্সিকো সিটি পেনিটেন্সরি সিষ্টেম অন্দর সেক্রেটরিয়েটনা শগোলশেল নুমিত্তা থোকপা চরোল অমগী মতুং ইন্না মৈ চাকপা অদু রেক্লুসোরিও প্রেভেন্টিভো ভারোনিল ওরেন্টেগী দোর্মিটরিদা অযুক্কী পুং ৫.২৫ রোম তাবদা হৌরকখি অমসুং মদুবু মুথৎপদা পুং কয়ামরম চঙখি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মৈ চাকপগী মরম খঙননবা হোৎনরি হায়না প্রিজন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

## অহানবা গ্রাউন্দ ৱারফ্যের প্লান্ট লিংলগনি

জেরুসলেম, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি) : ইজরেলগী অহানবা গ্রাউন্দ ৱারফ্যের প্লান্ট সাউদর্ন সিটি বীয়র সেভাদা লিংলগনি হায়না গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা কম্পনি অমা ওইরিবা ইজরেল এরোস্পেস ইন্দষ্ট্রিজ (আই এ আই)না লাউথোকখ্রে। প্লান্ট অদু আই এ আইগী এয়রবোর্ন রাদর সিষ্টেমস, স্পেসল মিসন এয়রক্রাফটকী ইন্টলিজেন্স সিষ্টেম, ইলেক্ট্রোনিক ৱারফ্যের সিষ্টেমনচিংবা পুথোকপগী এলতা সিষ্টেম দিভিজনগী মনুং চনগনি হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : KUMBI**

**Ref :- Mut Case No. 621/SDC/KBI 8/8/2019**
Brahmacharimayum (O) Binarani Devi W/o (L) B. Apabi Sharma of Nagamapal Singjubung Leirak Imphal ...*Petitioner*
-Vrs-
(Late) Brahmacharimayum Apabi Sharma S/o (L) B. Nityai Sharma of Wangoo Mayai Leikai. - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kumbi, the 16th August, 2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৬১ - ৱাঙ্গুদা লৈবা পাট্টা নং ১০৬/২৪৩, দাগ নং ৪১৭৮, এরিয়া ০.২০০০ ইঞ্চোল অমসুং পাট্টা নং ৯৮৯/২১৭, দাগ নং ১২৮৬, এরিয়া ১.২৯ ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারগী লোয়নবীনা মাগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

HL-P/3723/17 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Kumbi**

**IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : KUMBI**

**Ref :- Mut Case No. 623/SDC/KBI 14/8/2019**
1) Oinam Punimashi Devi W/o (L) O. Sanahal Singh of Phougakchao Ikhai (Southern 0.27 acre)
2) -do- Kunjamani Singh S/o (L) O. Shamu Singh of -do- (Middle 0.315)
3) -do- Peter Meitei S/o -do- of -do- (Middle 0.315)
4) -do- Shyamjai Singh S/o -do- of -do- Phougakchao Ikhai Mayai Leikai. (Northern 0.12) ...*Petitioners*
-Vrs-
(Late) Oinam Shamu Singh S/o (L) O. Thabijao Singh of Phougakchao Ikhai. - O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kumbi, the 16th August, 2019
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯৮- তোরবুংদা লৈবা পাট্টা নং ১৭, সী এস দাগ নং ১১৪২, এরিয়া ১.০২ চাউবা ইঞ্চোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারগী ইমুং-মনুং মচা-মমৌশিংনা মখোয়দা ইঞ্চোল অসি নামা ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা (ওবজেক্সন) তৌবীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎ চে পীগদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই। আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/3723/17 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Kumbi**